Downloaded From : http://cbseportal.com/



## Part – IV / ভাগ – IV

## Language – I / ভাষা – I

## MANIPURI / মণিপুরী

কেন্দিদেতশিংনা **Manipuri Language-I** লৌরবদি **পার্ট-IV** গী ৱাহং **(91-120)** ফাওবগী পাউখুম পিনবা হোৎনগদবনি।

ছাত্র হায়বসি অয়াম্বনদি লাইরিক তম্ফমশঙদা তন্নিবা মখোয়তবু খঙনৈ । লৈপাক লৈমা হায়বসি শিন্দমশঙনি । মীওইবা পুন্নমক মসিগী ছাত্র ঙাক্তনি । অহল, পাখং, নহা পুন্নমক অসি হৈরবদি মপুগী শিন্দমফম অসিদা কয়া তমনীংঙাই লৈ । পুন্নমক অসি চাপ-মান্ননা মীকোক থোংবা পাম্বা ঙাক্তনি । পূক্নীংগী অপাম্বদি মান্নরবসু মখোয়না নীংবদি মান্ননা থুংদ্রিবা করিননো ? ফনা লুবা পাউখুমনি । মীওইবা হায়বা অসি শক মান্নদবগুম্না মান্নদে, ঙম্নমক মান্ননা মফম অমত্তদা হীরম অমত্তদা তমদুনসু ছাত্র পূন্নমক খেন্নৈ । ঐখোয়না উরু-তারুদুনা, খঙলকপদগী ছাত্র হায়বা অসি মখল অহুম থোকনা খায়নীংঙি (১) মরাইবক ফবা ছাত্র, (২) অফবা ছাত্র (৩) শেম্বা থোক্ত্রুক ছাত্র । মরম অসিমক্তনা ছাত্রশিংনা চপ মান্ননা তম্মিন্নদুনসু মান্নবা ঙমদে । মতুংদা থবক্কী লমদা চৎনরক্লবদসু তোঙান তোঙান তানৈ ।

মরাইবক ফবা ছাত্র হায়বসিসু মখল, য়াম্মী । কনাগুম্বগী লৌশিংনা অরংবা থাঙগুম্না লংঙি । মমাঙদা তারবা পোৎ অদু মহাক্কী অথৌবা বুদ্ধিনা য়েন্দেম শৌহবগুম হেক্তা ককথৎলি । মহাক্কী পূকচেল অমসুং ৱাখলগা মাবু লমজিংবিরিবা অহল লম্মনগী পাউতাক্কা য়েৎনবা লৈতে । তাকপিরিবা পাউতাক অদুনা অফবনি হায়না নীংলবদি মহাকনা কৈগী মতু ফোয়বা ঙম্মী, অৱাংবা চীংদা কাবা কিদে, অমম্বা গুহাদা চঙবদা হঙ্গোইবা লৈতে । তৌগদবা থবক্তা মহাকনা মমায় ওনবা তৌদে । মতম হায়বা অসি মমল নাইদবা লন্নি হায়বা মহাক্তনা নীংলিনা খঙঙি । ফত্তবা সঙ্গ তিন্নদবনচিংবা অসি মঙোন্দা অমুক পাউ তাকনরুবা নাইদে । মদুগী মথক্তা মপুগী থৌজান্না অমুক্কা হৌনবী পূন্নমক শুনা খঙলবা মচাবু নুংশিবগা লোয়ননা অফবা লম্বেলদা চিংশিন বিবা হৈবা মপা মমা ফংলবা ছাত্র অদুদি সনাগী মথক্তা মনি থিনবগুম্বনি । মসিদা ঐখোয়না করিসু মিহৌরুফম লৈতে । মদু মরাইবক ফবনি হায়বদি চুম্মি । ঈশ্বরনা মহাকপু অৱাৎ অপাগী অনংবা খঙহন্দ্রে, লম্ফাংলবা তেংবানবদা লমজিংবিনবা অখঙবা, অহৈবা, অফবা মমা মপা পীনবিরে । ঈশ্বরগী লৌশিং মহৌশাগী ফজবা লমচৎ পূন্নমক অসি খেন্নবা লৈতনা পামদুনসু নীংলকপদা হেক লাম্বা ফংবা লম নত্তে । অসুম্না চঙনফম ফবা পোকফম ফবনচিংবদগী মশাগী মহৌশাগী লৌশিংগী পাঙ্গলনচিংবা ৱাৎলবসু নীংবদগী হেন্না মহে হৈবসু ঙম্মি, মদুসু মরাইক ফবা ছাত্রনি ।

Downloaded From : http://cbseportal.com/ Courtesy : CTET

Downloaded From : http://cbseportal.com/



**91.** ৰারেং মতেক অসি পারগা মীওইবা পুন্নমক অসি করিনি হায়না লৌবগে ?

(1) ঈশ্বরগী মনাইনি।

(2) মহৈ তমলিবা ছাত্রনি।

(3) মচিন মনাওনি।

(4) অফবা মপোকনি।

**92.** উরু তারুদুনা খঙলকপদগী ছাত্র হায়বা অসি মখল কয়া থোক্লা খায়দোকপগে ?

(1) অমা

(2) অনি

(3) অহুম

(4) মরী

**93.** ছাত্র অমনা মাবু লমজিংবিরিবা অহল লম্মনগী পাউতাক্তা য়েৎনবা লৈতনা অফবনি হায়না নিংলবদি মহাক্কুগী থৌনাদু কয়া য়াম্না কনবগে ?

(1) কৈগী মতু ফোয়বা ঙন্মী।

(2) পৃথিবী জয় তৌবা ঙন্মী খল্লি।

(3) য়েরুবগা লান্থা পাবদা কিদে।

(4) ওজা গুরুদা নোল্লুকই।

**94.** অফবা ছাত্রনা মতমবু করিনি হায়না খনবগে ?

(1) অফবা মরুপ থিহৌগদবনি।

(2) মমল নাইদবা লন্নি হায়না লোই।

(3) ঙল্লিবমখৈ লৌশিং তানশিনগদবনি খল্লি।

(4) তাকনরুবা নাইদনা মথৌ পাঙথোকই।

**95.** "ঈশ্বরনা মহাকপু অৰাৎ অপাগী অনংবা খংহনদে, লম্ফাংলবা তেংবানমবদা লমজিংবিনবা অখঙবা, অহৈবা, অফবা, মমা-মপা পিণবিরে।"

পীরিবা ৱাহৈ পরেং অসিদা 'অ'না হৌবা ৱাহৈ কয়া য়াওবগে ?

(1) মরী

(2) মঙা

(3) তরুক

(4) তরেৎ

**96.** 'তৌগদবা থবক্তা মহাক্না মমায় ওনবা তৌদে।'

পীরিবা ৱাহৈপরেংশিদগী সবজেক্ট খন্দোকউ

(1) তৌগদবা থবক্তা

(2) মহাক্না

(3) মমায় ওনবা

(4) তৌদে

**97.** 'সঙ্গ' ৱাহৈ অসিগী অর্থ ইয়ু -

(1) তিন্নবা

(2) ওজা

(3) মরুপ

(4) ছাত্র

**98.** ঈশ্বরগী লৌশিং, মহৌশাগী ফজবা লমচৎ অসি খেন্নবা লৈতনা নীংলকপদা হেক্তমক লান্থা ফংবা ঙমব্রা?

(1) হোৎনরবদি লান্থা ফংগনি।

(2) ফংবা ঙমদে।

(3) ঈশ্বরনা চপ মান্ননা পিদে।

(4) মমা মপানা ফরবদি ফংবা ঙমগনি।

Downloaded From : http://cbseportal.com/ Courtesy : CTET

Downloaded From : http://cbseportal.com/



**110.** মখাদা পিরিবশিংসিদগী করম্বনা অচুম্বনো ?

(1) পংচুয়েসনা ৱাহৈ পরেং অমগী ৱাহন্থোক হোংহনলি।

(2) পংচুয়েসনা ৱাহৈ পরেং অমগী ৱাহন্থোক হোংহন্দে।

(3) পংচুয়েসননা টেক্স অমা ফজহনবদা মতেং পাংই।

(4) পংচুয়েসননা টেক্স অমা পারিঙৈদা অপনবা ওইহনলি।

**111.** মহৈরোইশিংনা ইবদা মরু ওইনা য়েংগদবসি

(1) বনান অমসু গ্রামার চুম্না য়েংবনি।

(2) ৱাখল্লোন ফোংদোকপদু য়েংবনি।

(3) ৱাহৈ অককননা থম্বদু য়েংবনি।

(4) ইবদা ইদিয়ম অমসুং প্রমান পান্থে শিজিন্নৱা য়েংবনি।

**112.** NCF 2005 কী চৎন্ন-পথাপতা মখাগী শিংসিদগী করম্বা য়াওদবগে ?

(1) মহৈলোইশংগী ৱাংমদা লৈবা মীশিংদা লৌশিংগী মঙাল য়েনবনি।

(2) লাইরিক তম্বসি চিন্ফা পুবগী মতম্বীদগী শুংসোই শোইদনা হোংদোকরকপনি।

(3) করিক্যুলমসি টেক্সবুকতদা ওইগদবনি।

(4) চায়েংশিংসি খরা হেন্না কোমথোকহনবা অমদি ক্লাসরূমগী চৎন্নবীদা হেনগৎহনবনি।

**113.** অয়েকপা লাই অমদা ৱাহৈনা অচুম্বা পাউ করি থোকখ্রবগে, করম্বা মতমদা থোকপগে, কদাইৱাইদা থোকপগে অমদি থৌদোক্তুকরম্না লোইখিবগে পিবসি –

(1) প্রোজেক্ত ৱার্কনি।

(2) তৌরকউ পিবা থবকনি (assignment)

(3) থোকখিবা থৌদোকশিং ৱারিমচা অমাদৌনা ইবনি (anecdotal record)

(4) ওনবগী পথাপনি (rating scale)

**114.** মখাগীশিংসিদগী মহৈরোইশিংনা লোন্দা করি তৌরিবগে হায়বদু করম্বনা খ্বাইদগী ফবা খুদম চাংদম ওই

(1) চাংয়েংদা ফংবা মার্ক

(2) মহৈরোইশিংনা ঙাংবা অমসুং ইবদা শিজিন্নবা লোন

(3) নেস্নেল করিক্যুলম অমদি সিলেবস খংবা

(4) লোনগী পান্দমশিং খংবা

**115.** ভিগোটসকীগী স্কেফোলদিং হাইপোথেসিসকী মতুং ইন্না ওজানা লোন তম্লিবশিংদা জুরা অমদি গ্রুপ শেম্মগা তম্বগী খুদোংচাবা পীগদবনি। মরমদি

(1) ওজানা থবকতু তৌবদা লাইনা থোকই।

(2) মহৈরোইমাশন মতেং পাংন্নবদা ওজাদা পোথাবা ফংই।

(3) মখোয় মশেল ঙাংন্নবদা মশাগী ওইবা তোঙান্না তম্মী।

(4) অসুম হায়না মখোয় মশেল ঙাংনবসিনা লোন তম্বদগী থৈদোরকই।

Downloaded From : http://cbseportal.com/ Courtesy : CTET

Downloaded From : http://cbseportal.com/



116. লোনসি অহানবদা খোন্থোক্কী (sound) অমসুং খোন্থোক্কী পুনশিন্নবা তম্বগী মহুত্তা অরাইবা ৱাহৈপরেংশিংনা তম্বী। মসিনা হায়রিবসি –

(1) লোন ঙাংনবগী মপুংফাবা ৱাহৈ পরেংশিংদা য়ুমফম ওই।

(2) লোন খংলকপদা খোন্থোক্কী মফম লৈতে।

(3) গ্রামার অমসুং খোন্থোক্কী চপ মান্নবা মফম লোন তম্বদা লৈ।

(4) গ্রামারসি লোন ঙাংবগী মরু ওইবা মচাকনি।

117. ক্লাস VII গী ওজানা visual learner শিংদা (গ্রাফ, চার্ট, মেপ, দাইগ্রাম অসিনচিংবা শিজিন্নরগা তম্বা মহৈরোইশিং) ইউ টিউব শিজিন্নরগা ভিদিওদা তম্বী। তারগদমক তম্বা (auditory learners) মহৈরোইশিংদা রেকোদিংদমক শিজিন্নৈ। Kinesthetic Learners শিংনা চোং ফনদুপা লেং-ওত্তুনা অমনা অমদগী তম্নৈ। মলটিমেদিয়া সিজিন্নরগা ওজানা কান্নবা পিরিবসি –

(1) লোনগী ওইবা খেন্নবশিংনি।

(2) তম্বগী মওংনি।

(3) তম্বগী অৱাবশিংদুনি।

(4) অশেংবা মচাকশিংনি।

118. কোগনিটিভিস্টকী ৱাখল্লোনগী মতুং ইন্না অঙাংশিংনা তম্বদা লানবসি ওজানা

(1) তম্বদা অথিংবা অমদি অপনবনি লৌই।

(2) তমলকপগী মখোয়দা ৱাখল পিবগী শরুক অমনি লৌই।

(3) অরাম্বসি চুম্থোক্কদবনি অমদি অরাম্বসি অমুক হলহনলোই লৌই।

(4) মখোয়না তম্বদা থওইদবশিংদু খুদক্তা য়েংশিনগনি লৌই।

119. মমুৎ তানা তাবা হায়বসি

(1) পুক্নিংচংনা তাবনি।

(2) খাংবা কন্না তাবনি।

(3) থকশিখাসিগা লোইন্না তাবনি।

(4) হেন্না খংনবা তাবনি।

120. তুমীন্না পাবদা মহৈরোইশিংনা খ্বাইদগী তমলোইদবসি

(1) ৱাহৈ ৱাতা

(2) গ্রামার

(3) ঙাংবগী হৈশিংবা

(4) পাবগী হৈশিংবা

Downloaded From : http://cbseportal.com/ Courtesy : CTET

Downloaded From : http://cbseportal.com/



121. শ্যামসুন্দর করি থবক তৌরম্বগে ?

(1) ব্রহ্মসভাগী মেম্বর ওইরম্মী।

(2) পন্দিত ওইরম্মী

(3) দরবার মেম্বর ওইরম্মী

(4) লৈকায়গী য়াইতোং খমদোংবা ওইরম্মী

122. শ্যামসুন্দরনা করি মরমদগী - থবক তোকখিবগে ?

(1) মীগী মতেং পাংসুবদগী

(2) মতম চানা থবক কাদবদগী

(3) হেন্না অচাওরম পান্দ্রদগী

(4) শেল চারুই হায়বদগী

123. শ্যামসুন্দরনা ঙাংবা পুন্নমক্তা অচুম্বা নত্তে খংনা খংনা কনামত্তনা য়েৎলক্তবা অদুনা মহাক মশানা মশাবু করিনি হায়না লৌরম্বগে ?

(1) য়াম্না হে শিংবনি

(2) মীয়াম্না মাই য়াবনি

(3) মহাকমুক শেংবা লৈতে

(4) অফবা তৌবা থবক্কী মীনি

124. য়েক শলাই তিন্নবা মীগী মরক্তা চারৌ মৌরৌনবা থিংবা অসিগী লুচিংবা মীশক অদু কনানো

(1) নবকিশোর

(2) লৈপাক্কী নিংথৌ

(3) শ্যামসুন্দর

(4) কিশোরী

125. ‘ইরুজবা কারকপদা লম্বেল ইশিং চাই-চাইদুনা কারকপা শ্যামসুন্দরনি।’ ৱাহৈ পরেং অসিনা শ্যামসুন্দর অসি করম্বা মীশকনি তাকপগে ?

(1) মীমাংদা তৌশিন্নবা হৈবা মীশক।

(2) নুপী অঙাংনা তৌবদা থাজগন্দবা মীশক।

(3) অমাং অশেং য়াম্না খায়ক মীশক।

(4) মহাক্না তৌবনা চুমই খনজবা মীশক।

126. ‘ৱাসু চাওনা চাওনা ঙাংলম্মী।’ ৱাহৈ পরেং অসিদা য়াওরিবা ‘চাওনা চাওনা’ হায়রিবসি –

(1) নাউন্নি

(2) ভার্বনি

(3) এডভার্বনি

(4) এডজেক্টিবনি

127. ‘দুহোন’ ৱাহৈ অসিগী অর্থ হল্লু

(1) লাইগী সেবা তৌবা মী

(2) চাক থোংবা মী

(3) মীয়ামগী থবক তৌবা মী

(4) গোবিন্দগী চাক থোংবা পুজারি

128. শ্যামসুন্দরগা নবকিশোরগা করি থৌক্লে ?

(1) মপা - মচানি

(2) মচিন - মনাওনি

(3) মখুরা - মতোন্নি

(4) মশেল - মবায়নি

Downloaded From : http://cbseportal.com/ Courtesy : CTET

Downloaded From : http://cbseportal.com/



ইভোলগা খুঙ্গং য়ৌরে। খুঙ্গং অসিগী মচী অমদা লমজাও মপান্দা লৈরি ইভোলগিন্স্কি বৌদ্ধ-মঠ। মঠ অসিগী মপালগী কোম্হোংদা মীয়ায় চল্লবা নুপা অমনা ঐখোয়বু ঙাইদুনা লৈরম্মি। মহাক বৌদ্ধ-ধর্ম্ম চৎপা মীনি, ইণ্ডিয়াদগী মী অনী মন্দির য়েংবা লাক্নদৌরি তাদুনা উননীংদুনা ঙাইরল্লিবনি। খরা চঙলগা মরু ওইবা গেটতা লৈরল্লে মরূ কোল্লবা লামা অহুম-মরি ঐখোয়বু ওক্নুনা।

বৌদ্ধ-মঠ অসিগী লামা-মকোক বন্দিদো (বন্দিত) হান্বু লামা হৌজিক লৈতে, লংফে চৎখি, অদুনা মহাক্কী ঙমথং খাম্বু লামানা লুচিংদুনা ঐখোয়বু ওক্নম্মি।

বৌদ্ধ-মঠ অসিনা কোল্লিবা লম অসি ফনা চাউই। মঠ অসিদা মন্দির অমত্তা নত্তে লৈরিবা, ময়াম্নি। খাম্বু লামানা মথং মথং য়েংহল্লি। মসিনা 'য়েখে' মন্দিরনি, চহীগী মরূওইবা লাইগী নুমিত্তা মীয়ামগী লাইনীং-লাইশোল তৌফম। মন্দির অসি ফনা চাউই। মসিনা 'বাচা' মন্দিরনি, নুমিৎ খুদিংগী লাইনীং-লাইশোল তৌফম। হন্দক্কীসিনা খরা পীকই। মন্দির ময়ামগী মতাই ওইরপ্পা লৈরি মঠ অসিগী ওফিস অমসুং লামাশিংগী লৈফম। মঠ অসিগী ময়ায় ওইরপ্পা চীং-লেম্না লেপ্তুনা লৈরি শান্তি-স্তুপ পৃথিবীগী শান্তিগীদমক চেক অমদি নূংঙৌনা শাবা ইচম-চম্না পুক্নিং হূরবা স্তুপ। পুক্নিং অসি ইনৌ-নৌথোরকই। কদায়দনো ঐনা লৈরিবসি সোভিয়েৎ রাশিয়াগী নোংপোক লমদম্নি হায়বা ঐ কাউথোকখ্রে ভারতকী লাইফম অমদা মন্দির ময়ামগী মরক্তরা ঐনা লৈরিবসিবু।

খন্থরুবদা হরাও তুজুংঙি, ঙকসু ঙকই, অসুক লাপখ্রবা ঈংখ্রব উনগী লৈবাক অসিদা তূ-খোং কয়া, পাক্লবা ঈপাক কয়া, ৰাংলব চীংজাও কয়া, মপাল নাইদ্রবা মরুভূমি কয়া লান্দুনা সভ্যতা কয়াগা মায়য়োক্নদুনা করম্না য়ৌরল্লিবা ভারতকী শাক্যমুণিগী মহাবাণী! ঙসি বুরিয়াচিয়াগী অনৌবা মীরোলনা ধর্ম্মবু থাজদ্রবসু মতম অমদদি লমদম অসিগী মীয়াম্বু মহাবাণী অসিনা শুক্নৎলম্মি; ঙসিগী মহাবাণী অসিনা অরিবা মীরোলগী থম্মোয় হূরি। বুরিয়াচিয়াদতা নত্তে, সোভিয়েৎ ইউনিয়নগী অতৈ লমদম কয়াদসু, সাইবেরিয়া অসিমক্কী তুভা ওটোনোমস রিপব্লিক্তা, সেন্ট্রেল এশিয়াগী কালমিক ওটোনোমস রিপব্লিক্তা ঙসিসু তারি বুদ্ধ-বাণী।

**129. ইভোলগিনস্কি বৌদ্ধ মঠ অসিগী মপালগী কোম্হোংদা অইবা অমসুং মাগী মরুপ্পু কনানা ঙাইরম্বগে ?**

(1) লামা মকোক অদুনা ঙায়রম্মী।

(2) মীয়ায় চল্লবা নুপা অমনা ঙায়রম্মী।

(3) ভারত মচা খরনা ঙায়রম্মী।

(4) মরী মতা খরনা ঙায়রম্মী।

**130. বৌদ্ধ মঠ অসিগী লামা মকোক বন্দিত অদুগী মমিং করি কৌই।**

(1) হাম্বু লামা

(2) খাম্বু লামা

(3) শান্তি লামা

(4) লিজা

Downloaded From : http://cbseportal.com/ Courtesy : CTET

Downloaded From :http://cbseportal.com/



**131.** চহীগী মরু ওইবা লাইগী নুমিত্তা মীয়ামগী লাইনীং লাইশোল তৌফম মন্দিরদু করি মমিং কৌবগে।

(1) য়েখে

(2) বাচা

(3) বৌদ্ধ মঠ

(4) শ্রী গ্রী গোবিন্দ

**132.** "সোভিয়েৎ রাশিয়াগী - নোংপোক লমদম্নি হায়বা ঐ কাউথোকখ্রে।" মসিদা য়াওরিবা 'ঐ' হায়বসি কনানো ?

(1) শাক্যমুনি

(2) খাম্বু লামা

(3) অইবা

(4) গঞ্জুর

**133.** মপাল নাইদ্রবা মরুভূমি কয়া লান্দুনা সভ্যতা কয়াগা মায়য়োক্নদুনা করম্না য়ৌরল্লিবা ভারতকী _________ মহাবাণী।

(1) বাল্মীকী মুনিগী

(2) শাক্যমুনিগী

(3) কন্ব মুনিগী

(4) মারীচ মুনিগী

**134.** 'বুরি য়াচি য়াদ' সিলেবল কয়ানো ?

(1) অহুম

(2) মরী

(3) মঙা

(4) তরুক

**135.** ইভোলগিনস্কি বৌদ্ধ মঠ ইভোলগা খুঙ্গংগী মফম কদায়দা লৈবগে ?

(1) খুঙ্গংগী পম্থোংদা

(2) খুঙ্গংগী মতাইদা

(3) খুঙ্গংগী খৈদেন্দা

(4) খুঙ্গংগী লমজাও মপান্দা

**136.** লাইরিক য়াম্না পাবনা অঙাংগী অপাম্বা হাপকৎপিরিবসি

(1) খংদবা ৱাহৈশিংগী ৱাহন্থোক খংদোকনবনি।

(2) টেক্সতা শিজিন্নরিবা গ্রামারগী মচাকশিং খংদোকনবনি।

(3) শৈরেং থিবা হৈনবনি।


(4) টেক্সশিং নুংঙাইনা পানবনি।

Downloaded From :http://cbseportal.com/ Courtesy : CTET

Downloaded From : http://cbseportal.com/



137. Leh গী মতাংদা ওজানা পাবা অমা হৌদোই তৌই। হৌদ্রিঙৈদা মহাক্না ব্লেকবোর্ডতা ফিগর অমা য়েকই।




ওজানা য়েকলিবা ফিগরসি

(1) স্টেটকী মেপনি।

(2) লম অমগী মশাগী লৈজরিবশিংদু ফিগর গ্রাফনপচিংবনা তাকপনি (Thematic map)।

(3) অককনবা হিরম অমদা তাকপনি (Thematic map)

(4) লম-তু তাকপা পাম্বৈনি।

138. অঙাংশিংনা ফজনা ইগদবসি ইরিবদু

(1) ওজানা চিনহায় হায়বা মতমদনি।

(2) অঙাংশিংগী অপাম্বশিংগী ৱাহন্থোক য়াওরবা মতমদনি।

(3) ওজানা পিবা মচাকশিং অমসু চৎন লোনচৎ য়াওরবা মতমদনি।

(4) ঙাংবগা ইবগা মরি লৈনবা মতমদনি।

139. মখাদগীশিংসিদগী করম্বনা প্রদক্ত এপ্রোচতগী থোরকপা ওইদবগে ?

(1) তম্বীবদা য়াম হেন্না ওজানা শরুক চাওনা লৌই।

(2) তম্বীবদা বিহেভিয়রীস্ট মোডেলদা য়ুমফম ওই।

(3) তম্বীবদা অরোইবা পোৎত্তা ৱাখল থম্মী।

(4) তম্বীবদা প্রদক্তসন অমসুং জেনরেসন ৱাখল্লোন্দা ৱাখল থম্বী।

140. মচাক অমগা অমগা মরি লৈন্ননা ইবা (process approach) অমদা ওজানা মখাগী শিংসিদগী করম্বা শিজিন্নরোইদগে ?

(1) পুল্লপ্পা খনমীন্নরগা পাওখুম পুথোকপা (Brain storming)

(2) নোট চিনহাই হায়বা

(3) দ্রাফ্ট তৌবা

(4) চুমথোকপা (Proof reading)

141. লোনগী ক্লাস অমদা শকতম লাংলগা ঙাংনবসি লোনগী ক্লাসকী তৌফম থোকপা শরুক ওইগদবনি মরমদি –

(1) মসিনা ৱারেম ঙাংবদা মতেং পাংই।

(2) মসি ক্লাস ফজনা পাংথোক্নবা পাম্বৈ অমনি।

(3) মসিনা মহৈরোইশিংদা ৱারি নিংশিংবদা মতেং পাংই।

(4) মসিনা মহৈরোইশিংদা ফজনা ৱাহন্থোক্না লোইন্ননা ৱারি শান্নবা ঙমহনলি।

Downloaded From : http://cbseportal.com/ Courtesy : CTET

Downloaded From : http://cbseportal.com/



**142.** নংনা অঙাং অমদা অপিবা হিরম অমদা অতেম্বা শৈরেং অমা ইয়ু হায় । মখোয়না শিজিন্নগদৌরিবসি

(1) পুক্লিংনা শাগৎলগা (creative thinking) ইবনি ।

(2) মীগী অৱাবদু চিংশিল্লগা ঐনা ফাওরগা খল্লগা (emphathetic thinking) ইবনি ।

(3) অতোপ্পগী অৱাবদু খল্লগা (sympathetic thinking) ইবনি ।

(4) চৎনব-লোনচৎ খল্লগা ইবনি ।

**143.** হেন্না ফজনা পাবা হৈনবা ৱাহৈ-ৱাতা হেনগৎহনবসি মহৈরোইশিংদা মরু ওই । মখাগীশিংসিদগী করম্বনা ৱাহৈ-ৱাতা হেনগৎহনবগী অফবা পাম্বৈনো ?

(1) মহৈরোইশিংনা ৱাহন্থোক মান্নবা ৱাহৈশিং অমসুং ৱাহন্থোক ওন্ন-তৈন্নবশিং ময়ম চিন্‌ফা পুই ।

(2) অনৌবা ৱাহৈ থেংনবা মতমদা ডিক্সনারি শিজিন্নৈ ।

(3) মহৈরোইশিংনা টেক্সতগী অরুবা ৱাহৈগী মপাদা চৈখৈ চিংদুনা ৱাহৈ পরেং শেম্মী ।

(4) মহৈরোইশিংনা ৱাহৈগী য়াওফম (context) শিজিন্নদুনা অনৌবা ৱাহৈশিংদুগী ৱাহন্থোক খংনবা হোৎনৈ ।

**144.** ওজা অমনা অঙাং অমবু য়েংশিনবিরগা মরুওইবা থৌদোক খরা ৱারি ওইনা ইথোকই । মসিবু –

(1) হোৎনবদগী ফংবা মচাকশিং চুমশিল্লগা ইবা (rubric) কোই ।

(2) মশানা নমজবা ফোতোগ্রাফশিং, অয়েকশিং অসিনচিংবদগী তানশিলকপা লৌশিংসিংসি থবক থাবদা শিজিন্নবা (portfolio) কৌই ।

(3) য়েং শিনবা কোই ।

(4) মী অমগী মরুওইবা থৌদোকশিং ৱারি মচা অমাদৌনা ইবা (anecdotal record) কৌই ।

**145.** মখাগী শিংসিদগী করম্বনা মাইপাক্না ঙাংবা ঙম্বগী মতিক-মঙম ওইবগে ।

(1) মহৈরোইশিংনা চাং নাইনা শরুক য়াদবা

(2) মহৈরোইশিংদা ৱা ঙাংবা ঙমহনবগী খুদোংচাবা থৌদৌশিং পিবা

(3) মহৈরোইশিংদু তন্নীবা লোন্দুদমক (target language) ঙাংনবা হায়বা

(4) খরা হেন্না লুনা লৌহনিংবা মহৈরোইশিংদা ক্লাস করম হায়না ফজনা তৌগদগে হায়বগী মতাংদা হেন্না ঙাংহনবনি ।

Downloaded From : http://cbseportal.com/ Courtesy : CTET

Downloaded From : http://cbseportal.com/



**146.** ভিগোটসকীগী মতুংইন্না লোন তম্বগী মরুওইবা মচাকসি

(1) ময়ামগা লোন্দিনবনি।

(2) টেক্সবুকনি।

(3) রেডিওনি।

(4) ডিক্সনারিনি।

**147.** ঙাংবগী হৈশিংগী হোৎনবদা করম্বা থৌদৌনা (activity) খ্বাইদগী মতেং ওইবগে ?

(1) হিরম অমদা মহৈরোইশিংনা ময়মদা পাথোকই।

(2) ওজাশিংনা মখোয়দা কান্নগদবা চিনহায় তৌবি।

(3) মহৈরোইশিংনা মখোয়দা পিবা লংলা-লংজিনগী মতুংইন্না মখোয়গী ওইবা ৱারি হায়।

(4) মহৈরোইশিংনা ফজবা প্রোজেক্ত রিপোর্ট শেম্মী।

**148.** মহৈরোইশিংনা হান্না খংলকপা লৌশিংগা অনৌবা খংলকপা লৌশিংগা অমদি ক্লাসকী মপান্দগী খংলকপা লৌশিংগা, করম্বা পাবগী থাক্তা শমজিন্নবা ঙম্বগে ?

(1) পুন্না পাদ্রিঙৈদা মরু ওইবা ৱাখল খংদোকপা (pre-reading)

(2) পারিঙৈদা

(3) পাবা থোকত্রিঙৈদা

(4) পারবা মতুংদা

**149.** কোগনিটিভিস্ট কী মতুংইন্না অঙাংশিংনা লোন ফজনা তম্বসি

(1) ওজানা অঙাংশিং ক্লাসতা ফাজিনলগা থম্বা অদুগা অঙাংশিংদুদা নিংতম্বা খজিক্তুং পিবদনি।

(2) গ্রামারগী চৎন্ন পথাপ চিন্‌ফা পুন্নবা পূক্লিং থৌগৎপনি।

(3) অঙাংশিংনা ব্লেকবোর্ডতগী ফজনা পাউখুম শিনবনি।

(4) মহাক্না মখল মখা কয়গী থবক থৌরম শিংদা য়াওন্নবা পূক্লিং থৌগৎপিবনি।

**150.** ফজনা তাবা মী অমনা

(1) ৱা করম হায়না ঙাংগদগে খংই।

(2) মী ৱাখল্লোন করম্না শিজিন্নবগে খংবা ঙমই।

(3) হংশিবা ৱাহংদুদা ফজনা পাউখুম পি।

(4) ৱাহৈ খুদিংমক ফজনা হায়।

Downloaded From : http://cbseportal.com/ Courtesy : CTET

